ꯍꯨꯏꯌꯦꯟ ꯂꯥꯟꯄꯥꯎ

ꯅꯤꯡꯊꯧꯀꯥꯕ, ꯗꯤꯁꯦꯝꯕꯔ ꯱꯳, ꯲꯰꯲꯱, ꯏꯝꯐꯥꯜ

꯴꯵ ꯁꯨꯕ ꯆꯍꯤ, ꯲꯵꯸ꯁꯨꯕ ꯃꯁꯤꯡ

হুইয়েন লানপাউ

নিংথৌকাবা, দিসেম্বর ১৩, ২০২১, ইম্ফাল

৪৫শুবা চহী, ২৫৮শুবা মশীং

## মণিপুরগী মথংগী মায়ওন

### মীয়াম্না মীখলদা মৈ মুহৌরগদবনি

হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসিগী মতম লোইশিল্লক্লে। খাঙেনফম য়ৌরে, মমং মখূৎনা লাম্বা ফংজিল্লক্লে হায়বদুগী ফীভমদা লৈরে। মরমদি ১১শুবা মণিপুরগী জেনরল ইলেক্সন মার্চ ২০১৭তা পাঙথোকখিবনি। মতম লোইশিল্লক্লবা লৈঙাকসিনা মার্চ ১৫, ২০১৭তা ৱাশক লৌখিবনি। অদুগা মীখলদুদা মায় পাক্লকখ্রবা মীরেপশিংদুনা মার্চ ১৯, ২০১৭তা এম এল এ ওইবগী ৱাশক লৌখিবনি। নুমিৎতুদগী পারগদি মথংগী অনৌবা লৈঙাক অমা শেমদুনা লিংবগী মথৌ তাবা থবক-থৌরম পূম্নমক মথং চহী ২০২২গী মার্চ ১৯ ফাওবগী মমাঙদা মপূং ফানা পুল্লোই লোইশিনগদৌরিবনি। মসিমক্লা হৌজিক ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়া (ঈ সী আই) না মণিপুরগী চীফ ইলেক্টোরল ওফিসর (সী ঈ ও) গা খূৎশম্নদুনা পাঙথোক্লগদবা অনৌবা মীখল অসিগী মথৌ তাবা, তঙাইফদবা থবকশিংগী থৌরাংশিং অকনবা মওংদা পায়খৎলক্লি। পাঙথোক্তবা য়াররোইদবনিনা অনৌবা মীখলসি শোয়দনা পাঙথোক্লগদবনি। অদুনদি ষ্টেটসিগী এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি ৬০গী ভোটর মীয়াম্না মণিপুরগী মথংগী মায়ওন কদোমদা, মতৌ করম্না লেপকদৌরিবগে? সেন্টরগী য়াকা য়েংদুনা লৈবাকসিগী ৱায়েল চুপ্লি পায়রিবা নেসনল পার্টিগী ষ্টেটসিদা লৈরিবা তুংইনবশিংদা অমুক হন্না ষ্টেটকী লৈঙাক ৱায়েলগী থৌদা খূৎশিন্নখিগদ্রা? নৎত্রগা সেন্টরগী লৈঙাক্লোইশিংগী পার্টি নত্তবা অনৌবা নৎত্রবসু অতোপ্পা পার্টিদা অমুক হন্না লুপশিনগদ্রা হায়বগী ৱাহং থোরকই। ৱাহংসিগী চপ চাবা পাউখুমশিং পীননবা হোৎনরকপদা মরু ওইনা চংলিবা মচাকশিংদুনা করি করিনো? পূম্নমকসি হৌজিক মতম লৈরিঙৈসিদা মণিপুরগী ভোটর মীয়াম্না মুন্না খন্থহৌবা চঙই। মরমদি ষ্টেটসিসু লৈবাকসিগী শরুক অমা ওইদুনা লৈবাকসিগী লৈঙাকলোন্দা য়াওরিবনা সেন্টরদা, লৈবাকসিগী মরু ওইবা অচৌবা ষ্টেটশিংদা লৈরিবা পোলিটিকেলগী ফীভমশিংসু তুংওইনরম্বা চুল্লোই।

পূম্নমকসিগী মথক্তা হৌজিক সেন্টরদা লৈবাকসিবু হিমাই চুন্লিবা পার্টি অমসুং মসিগী লুচিংবশিং অসিগী ৱাখল্লোন করিনো? মখোয়না মণিপুরগীদা নত্তনা লৈবাকসিগী মীয়ামগীদমক করি তৌখ্রবগে? মখা তানা করি তৌরকখিগদগে? অদুগা মণিপুরগী লৈঙাক খুর্জি খূৎপায়নরিবা পার্টিশিং অমসুং মখোয়গী মীওইশিংগী মেন্টালিটি (ৱাখল্লোন) না করিনো? মখোয়নদি করি করি তৌখ্রবগে? মতুংদা করি তৌরকখিগদগে হায়বসিসু তরেৎ-তরা থোক্লা খন্নহৌবা চুমগনি। মরমদি মীখল নুমিত্তা ভোটর মীয়াম্না মখোয়দা পীবা ভোটিং রাইটশিং শীজিন্নদুনা পীখিবা ৱারেপ্তু শাংলবা চহী ৫গীনি। টর্মসি লোইদ্রিঙৈদা অফবা ওইরক্তবদগী পান্নক্লে হায়দুনা লাকথুরগা চিংথরুবা য়াররোইদবনি। অদুগা মীয়াম্না মখোয়গী মমল য়াম্নবা মেন্দেট পীবদা ফাদোক-চাইথোক্লগা য়ানশিন-তোৎশিন্নবা 'মিক্সদ ওপিনিয়ন' অমসুং 'মিক্সদ মেন্দেট' নৎত্রগা দিসিজন পীবসু চুল্লোই। মরমদি অকক্লবা পার্টি অমত্তদা মপূং ফানা সপোর্ট তৌদবদগী লৈঙাক শেন্নকপদদি দেমোক্রেসিগী মেজিক নম্বর শুদবা য়াদবগী চুংশিন্নবা চোইখোম লৈঙাক ওইহল্লকপদগী হৌজিক লৈরিবা লৈঙাকসি খূৎপায়মিন্নরিবা পার্টিশিংগী মরক্তা ঈশিংগা থাওগগী ফীভমদা লাক্তুনা খায়বুং-খায়বুং তানরকপগী কুম্মৈ হকথেংনরিবসিনি। মরম অসিনা হৌজিক পাঙথোক্লগদবা মীখলসিদা মীরেপ ওইগনি হায়দুনা কোইচোং-চোংবা, কোইচেন-চেনবা ইন্টেন্দিং কেন্দিদেট কোকথোং অমা থোকচরকসনু। মীখলগী হৌনবনি। ভোট লেপকনি হায়রিবা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি অদুগী ইলেক্টোরল রোলদা মশাগী মমিং ফাওবা য়াওদ্রবসু কন্সটিট্যুসননা অমসুং ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরবনি হায়দুনা চোংশিন্দুনা ভোট লেপ্পনবা হোৎনরকপা মশানা মশাবু সোসল ৱার্করনি হায়জবা মীওই ফাওবা য়াওরক্লিবনি। লৈঙাকসিবু লুচিংলিবা পার্টি অমদা টিকেটকী থোমজিন্নরকপদা এসেমব্লি কন্সটিট্যুএন্সি খরদদি পৌ নম্বগী ফীভম ফাওবা লাক্কদবা য়াওরিবনি, তৌজসনু। মানা-মানা পাম্বা তৌজবনি। অদুবু ভোটর মীয়ামদি মীরেপ ওইগনি চোংথোরক্লিবা মীওইশিং অসিনা হুম্বা মায়কৈদা লোইনা চৎপা চুল্লোই। হৌজিক মাঙদা তারিবসি মণিপুরগী অনৌবা মীখলনা কুমজা ২০২২দা পাঙথোক্কদবনি। লৈবাকসিগী পার্লিয়ামেন্টকী মীখলনা ২০২৪দা পাঙথোক্কদবনি। মসি ওইরগদি সেন্টর অমসুং ষ্টেটতা পৱার পায়রিবশিংদা হঞ্জিন্না চোংশিন্দুনা ভোট পীখিগদ্রা নৎত্রগা অতোপ্পা অমা শিন্দোক্লবা মীখলসিদা মৈ মুহৌরগদ্রা হায়বসিনি।

### হুইয়েন লানপাউ লিটরেরি ক্যুইজ-৩১

১) *"শীঙেন নাচোম"* হায়বা কুমজা ১৯৩৯দা অহানবা ফোঙখিবা লাইরিক অসিগী অইবা কনানো অমসুং করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

২) **"তমথীবা নোংলৈ"** হায়বা লাইরিক অসি ওরিজিনেল কনানা ইবা, করি লোলগী লাইরিক্তগী মণিপুরীদা কনানা হন্দোকপগে?

৩) **"ৱাখলগী মরোল মরোল নাইরবা চেনাশিং/আশাগী ৱাংখৎখ্রবা তেলঙ্গাশিং/কোয়লৈ কোয়লৈ/অকনবা নুংশিৎনা/হুমদোকখ্রি অসুম ইকুম ওইনা/থম্মোয়নুংদগী/মরূ ফূকখ্রি মঙলান য়াওনা।"** শৈরেং মতেক অসি কনানা ইবা করি লাইরিক্তা য়াওবা করম্বা শৈরেংদগীনো?

৪) *"পোইরৈ নাৎকী ৱারেং"* হায়বা লাইরিকঅসিগী অইবা কনানো?

৫) *"কেকু লোৎপী"* হায়বসি অইবা কনানা ইবা, করম্বা মখলগী লাইরিকনো?

মথক্তা পীরিবা ৱাহংশিং অসিগী পাউখুম দিসেম্বর ১৫, য়ূমশকৈশা নুমিৎকী অয়ূক পুং ১১ ফাওবগী মনুংদা পাউচে অসিগী ওফিসতা নৎত্রগা ঈ-মেল **hueiyenliteraryquiz@gmail.com** সিদা মেল ওইনা থাবীরকপা য়াগনি। পাউখুম পীবিরকপা/থাবীরকপা মতমদা মিং, লৈফম, মহেগী থাক অমসুং কন্টেক্ট নম্বর ময়েক শেংনা ইবিরকউ। ৱাহং খুদিংমক্কী পাউখুম চুম্না নৎত্রগা মশীং য়াম্না চুম্না পীবিরকপা মীওইশিং অদুদগী দ্রো ওৎচরগা লাইবক ফবা মীশক অমা খনজগনি। লোয়ননা খল্লবা মীশক অদুদা মনা পীজগনি।

## লৌমীশিংগী কাখল

### চমপ্রা পান্বীদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট পীবা

**ডো: এম থোইথোই সিংহ**

মণিপুরদা চমপ্রা পুথোকপগী চাংদি ৱাংলে অদুবু পান্বীগী মচিঞ্জাক্তা অৱাৎপা লৈবনা হৈগী মশক ফজবা হায়বদুদি খরা ৱাৎলি। চমপ্রাগী হৈকোলশিংদা চহী-চহীগী ওইনা মচিঞ্জাক পীবা ইথেং থেংনদে। পান্বীশিংনা শীজিন্নরিবা মচিঞ্জাকশিং অসি চাং ৱাংনা অমসুং নেম্না মথৌ তাবা হায়না অনী থোক্লা খাইদোকই। চাং নেম্না চংবা মচিঞ্জাকশিংবু ঐখোয়না মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়না খঙনরিবসি পান্বীদা হাপ্পা নৎত্রগা কাপ্পা ইথেং থেংনদে। চাং ৱাংনা চংবা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসপুদি হৈকোলদা খরমখৈবুদি চাইনৈ। তোঙান তোঙানবা মচিঞ্জাকশিং ৱাৎলকপগী পান্বীদা মখল মখা কয়াগী লায়ওং উৎলকই। করিগুম্বা মতমদা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওংশিংবু মহিক্লা থোকহনবা লায়ওংশিংগা খেন্নদবগুম লান্না হীদাক কাপ্পা তোয়না থেংনৈ। মরম অসিনা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওংশিংবু মমুৎ তানা খঙদোক্তুনা ৱাৎলিবা মচিঞ্জাক্তু হাপ্পীরবদি থবক্কী মহয় ফংগনি। শেন্দোং লৈগনি। অদুবু হেঞ্জিন্না হাপ্লগসু হেনজিনবগী লায়ওং উৎলকই। চপ চাবা চাংদা হাপ্পা চঙই।

মহৌশানা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী লায়ওং অসি পান্বীগী নৌরিবা মনাশিংদা উৎলি। অদুবু মোলিবদেনমদি লিতক তৌবা মনাদা উৎলি। চমপ্রা পান্বীগী মরু ওইবা, তোয়না থেংনবা মচিঞ্জাক ৱাৎপগী লায়ওং খঙদোক্তুনা পোত্থোক হেন্না পুথোকপা য়াই।

**জিঙ্ক ৱাৎপগী লায়ওং :** চমপ্রা কাঙলূপকী পান্বীশিংনা জিঙ্ক হায়রিবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট অসি চাং য়াম্না ৱাংনা পাম্মী। মরম অসিনা ঐখোয়গী লমদমসিগী চমপ্রা হৌরিবা মফমশিংদা জিঙ্ক ৱাৎলবা পান্বীগী মনা তেনশিল্লি, চপশিল্লি, কেনগল্লি। মনাদা নাপু মচুগী দাগশিং লৈ। মনাগী অশংবা মশিংশিংগী মরক্তু নাপু মচু চংই। হৈ চাওবা হন্থে, এসকোর্বিক এসিদ য়াওবগী চাং ৱাৎলি। পান্বীবু কোলি শুংহল্লি, মসা লোংবা ৱাৎলি। চমপ্রা পান্বীনা জিঙ্ক ৱাৎপা মতমদা আইরন অমসুং মেঙ্গনিজসু ৱাৎকল্লি।

**আইরন :** মণিপুরগী অয়াম্বা মফমদা আইরন মরাং কায়না য়াওই। অদুবু করিগুম্বা মতমদা পান্বী মশানা শীজিন্নবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা আইরন ৱাৎপগী লায়ওংশিং উৎলকই। শীজিন্নবা ঙমজদ্রবা পান্বীদুবু আইরন ৱাৎলে হায়দুনা নৌনা অমুক হাপচিল্লবসু অরেম্বদা তাই। মরম অদুনা লৈবাক লৈহাওগী মরমদা খঙ-হৈরবা মীওইশিংগা তানবীবা ফৈ। আইরন হায়বসি মনাবু শংহল্লিবা পোৎশকশিং শাবদা চঙবা মরম্না আইরন হেক ৱাৎলকপগা পান্বীদুগী অনৌবা মনাশিংদু নাপু শারকই। অদুবু অনৌবা মনাশিংদুগী মশিংশিংদুদি ইশং শংনা লেহৌই। মতুংদা মনা মপুমদুমা নাপু মচু ওইরকই। মনা মতোনলোমদগী কংশিল্লকই। উহৈশিং পীকশিন্না লৈ।

**মেঙ্গানিজ ৱাৎপগী লায়ওং :** মেঙ্গানিজ ৱাৎপা হৌরকপগী লায়ওং অসি অহানবদা মুনা শংলবা মনাশিংদা অশংবা কোয়দানবা দাগশিং লৈবা উই। লায়ওং অসি অয়াম্বা মশাগী মতোনলোম থংবা শরুক্তগী মনা মরি মঙাশুবা মনাশিংদা উগনি। মনাগী চাওফম থোকপা চাং য়ৌনা চাওগনি। ফীভম শোকপা মখৈ মেঙ্গানিজ ৱাৎপা মতমদা মনাদু নাপু কাগনি। অনৌবা মনাগী মচু তাইবা অমসুং মনাগী মতাই থংবা শরুকশিংদু মথকলোমদা হাইফেৎ কোনখৎপা থেংনগনি। চমপ্রাগী কাঙবুদা নত্তনা আলু অমসুং তিলহৌদসু মেঙ্গানিজ ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনৈ। আইরন, কোপর অমসুং জিঙ্কী চাং ৱাংলবদি পান্বীনা মেঙ্গানিজ চুপশিনবদা অকায়বা পী।

**কোপর ৱাৎপগী লায়ওং :** কোপর ৱাৎপদগী চমপ্রাগী অনৌবা মনাশিং মওং মরীল নাইদে, পৈথোক পৈশিন তৌই। মচু মুশিন্না শংনা লৈবা, য়াম্না নৌরিবা মতোনগী মনাশিং খুইথবা থেংনৈ। অকংবা মতোনগা থংননা লৈরিবা মশাগী শরুকশিংদা অনৌবা ময়োলশিং য়াম্না কুংনা থোকপা থেংনৈ। অনৌবা মনাশিংদা নপ-নপ লাওবা অমগুম্বসু খরা খরা লৈবা উগনি। মপূং ফাদ্রিবা উহৈশিংদা পিক্লা পিক্লা চেকখাইবসু য়াওগনি।

**বোরোন ৱাৎপগী লায়ওং :** মতাং তেনগনি, মনাগী মশিংশিংদু নাপু মচু ওইগনি। হৈ (চমপ্রা) মকু খোকতোকপদা মকু মকয়াদা নপ-নপ লাওবা গমশিং লৈরম্বসু থেংনগনি। মপাল কুংনা শাৎপা মসাশিংদা মহৈ কুংনা পাল্লবসু, পিক্লিবা মপূং ফাদ্রিবা উহৈশিং তোয়না কেনবা থেংনগনি। ফোসফেটকী চাং ৱাংলিবমখৈ পান্বীনা কোপরগী চাং ৱাংনা ফংই।

**মোলিবদেনম ৱাৎপগী লায়ওং :** মপূং ফারবা মনাদা নাপু মচুগী দাগশিং লৈবা উগনি। দাগশিং অদু কালেন থাগী মতমদা পাকথোক চাওথোরকপা থেংনগনি। তুংদা নাপু মচুগী মনা ওইনা উগনি। কেনফম থোকপা মতম য়ৌদ্রিঙৈদা কেনগনি। কোনা মচুগী দাগশিং হৈশিংদা লৈবা উগনি। হৈশক থী।

চমপ্রা কাঙবুগী পান্বীশিংনা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী লায়ওং য়াম্না শাথীবা মওংদা উৎত্রিঙৈদা অৱাৎপা পান্বীগী মচিঞ্জাক চাং চানা হাপ্পবা হোৎনগনি। অদুমকপু পান্বী মশা ফনবনি হায়দুনা হন্না হন্না কাপলোইসি, মসিনা পান্বী মশা শোকহনবা য়াই।

**চমপ্রা পান্বীদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎলকপদা কাপথোক্লবা হোৎনগনি :**

জিঙ্ক - ঈশিং লিটর খুদিংদা জিঙ্ক সলফেট গ্রাম ৫

আইরন - ঈশিং লিটর খুদিংদা ফেরস সলফেট গ্রাম ৫

মেঙ্গানিজ - ঈশিং লিটর খুদিংদা মেঙ্গানিজ গ্রাম ২

কোপর - ঈশিং লিটর খুদিংদা কোপর সলফেট গ্রাম ৫

বোরোন - ঈশিং লিটর খুদিংদা বোরোন ১০% গ্রাম ২

মোলিবদেনম - ঈশিং লিটর খুদিংদা মোলিবদেনম গ্রাম ২

লায়ওং য়েংলগা মথৌ তাবা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট মতম চানা পীসি। ●

## অশিনবা লৈবাক লৈহাওদা সেকেন্দরি অমসুং মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংগী থৌদাং

**ডা. ৱাইখোম জিতেন**

পান্বী অমদা শুংশোয় শোয়দনা চঙদবা য়াদ্রবা পান্বীগী মচিঞ্জাক ১৬কী মনুংদা নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়মগী হেক মতুংদা পান্বীনা চাং য়াম্না দরকার লৈবা পান্বীগী মচিঞ্জাক অহুম অমদি কেলসিয়ম, মেগনিসিয়ম অমসুং সলফরবু সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনৈ। সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টদগী হন্থবা চাংদা পান্বীনা দরকার লৈবা পান্বীগী মচিঞ্জাক ৭ হায়বদি জিঙ্ক, বোরোন, মোলিবদেনম, মেঙ্গানিস, কোপ্পর, আইরন অমসুং ক্লোরিনবুনা মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট হায়রগা খঙনৈ। পান্বীশিংগা থানবা য়াদ্রবা অদুগুম্বা মচিঞ্জাকশিং অসি মতমগী মতুংইন্না ঐখোয়গী লৌফমদগী ময়েং তারক্লি অদুগা ঐখোয়না হাপচিনবগী ৱাফমদি ইখন খন্নদবনা নোংমদি মচিঞ্জাক মখলশিং অসি ৱাৎপগী অৱাবা মায়োক্নরক্কদৌরি।

লমদম অসি নোং মরাং কায়না তাবগা লোয়ননা অশাবা লমদম ওইবনা আইরন অমসুং এলুমিনিয়মগী শরুকসু মরাং কায়না য়াওদুনা লৈবাক লৈহাও অসি অশিনবা লৈহাও ওই। অশিনবা লৌফমশিং অসি মহৌশানা কেলসিয়ম অমসুং মেগনিসিয়ম য়াওবগী চাং নেমই। অমরোমদা অমুক লিশাং শিংনা খূৎশেমগী হারশিংদমক লৌফমদা শীজিন্নরকপা অদুগা মদুসু সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টশিং য়াওদবা ঙাক্তা ওইরকপা লোয়ন-লোয়ননা ষন্থি-ষণয়ুং অমদি কম্পোষ্ট শীজিন্নরক্তবনা লৌফমদা ওর্গানিক মেট্টর হায়বদি অহিংবা পোৎলমশিংদগী পথুরগা ওইরকপা লৈবাক লৈশা য়াওবগী চাং নেমথরকপগা লোয়ন-লোয়ননা সলফর য়াওবগী চাংসু নেমথরক্লি। পঞ্জখ্রিবা মরম ময়াম অসিনা অশিনবা লৌফমশিং অসিদা সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টশিং পীবনা পান্বীগী চাথোক হেনগৎহল্লি।

অশিনবা লৌফমদা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং :-

(১) নোং মরাং কায়না তাবা লমদমদদি বোরোন অমসুং মোলিবদেনমসি নোংগী ঈশিংনা চামথদুনা মাঙখিবনা লৌফমদা য়াওবগী চাং নেমই।

(২) লৌউ-শিংউগী পোত্থোক হেন্না পুথোক্লবা হোৎনবদা পান্বীগী মচিঞ্জাক মখল শুনা য়াওদবা খূৎশেমগী হারশিং শীজিন্নরকপনসু মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং লৌফমদগী ময়েং তারক্লবগী মরমশিংনি।

(৩) য়ুরিয়া খক্তমক লিশাং শিংনা শীজিন্নরকপনসু লৌফমগী অশিনবা হেনগৎহনবগা লোয়ননা মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং ময়েং তাহল্লক্লি।

সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টশিং শীজিন্নবনা পান্বীদা পীবা কান্নবশিং পান্বীশিংদা নাইট্রোজেন ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়ম অসি চাং চানা পীরবসু লৌফমগী পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙমদবগী মরু ওইবা মরম অসি সেকেন্দরি অমসুং মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংগী খল কায়রকপনা ওইবা য়াই। মরম অসিনা সেকেন্দরি ন্যুত্রিএন্টশিং অমদি মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিং লৌফমদা খল চানা থম্নবা হোৎনগদবনি।

কেলসিয়ম :- লৌফমদা শুনু চাইবনা পান্বীনা দরকার লৈবা কেলসিয়ম ফংহনবা ঙমই। পান্বীশিংনা লৌফমদগী নাইট্রোজেন, ফোসফরস অমসুং পোটাসিয়ম লৌথোকপগুম কেলসিয়মসু লৌথোকখি। লৌথোকখিবা কেলসিয়মশিং অসি মেনখৎনবা লৌফমদা শুনু চাইবীবা তঙাইফদে। লৌফমদা শুনু শিন থুংনা চাইবগুম পান্বীগী মরা লৈগদবা মফমশিংতমক শুনু ফংহনবদা পান্বীশিংদা চপ চাবা কানবা ফংহনবা ঙমই। লৌফম অদুগী খেন্নবা দরকার লৈবা শুনুগী চাংগী শরুক তরা থোকপগী অমত্তং পান্বীগী মরা লৈগদবা মফমশিংদা ফংহনবনা পান্বীশিংদা চপ চানা কানবা ফংবা ঙমই। হৱাই পান্বীশিংনা শুনু খ্বাইদগী হেন্না দরকার লৈরবা মতুংদা চুজাক, গেহু অমদি হঙ্গাম মথংশিৎনা শুনু দরকার লৈবা পান্বীশিংনি।

মেগনিসিয়ম :- লৌফমদা শুনু চাইবনা লৌফমগী অশিনবা হন্থহন্দুনা মেগনিসিয়ম ফংবগী চাং ৱাংখৎহল্লি।

সলফর :- লৌ পরি অমগী লৌফমদা সলফর কেজি ২০-৩০ ফাওবা চাইবদা সলফর হেন্না দরকার লৈবা হৱাই, হঙ্গাম অমদি তিলহৌ, চনমগী পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙমই।

মাইক্রোন্যুত্রিএন্টশিংগী মনুংদা বোরোন অমসুং মোলিবদেনম অসি অশিনবা লৌফমশিংদা মখোয়বু ৱাৎপগী লায়ওং তোয়না থেংনৈ। মরম অদুনা বোরোন অমসুং মোলিবদেনম য়াওবা হারশিং লৌফমদা চাইবনা পোত্থোক হেন্না পুথোকপদা অচৌবা মতেং ওই।

লৌ পরি অমগী লৌফমদা বোরেক্স কেজি ১-৫ ফাওবগী চাং চাইবনা ফৌগী লৌফম খক নত্তনা হৱাই, থাও থোকপা পান্বীশিং অমসুং তোঙান তোঙানবা মনা মশিংশিংগী পোত্থোক হেনগৎহনবদা চাউনা মতেং পাংই।

এমোনিয়ম মোলিবদেট কেজি ০.৫দগী ১.৫ লৌ পরি অমগী লৌফমদা চাইবনা থাও থোকপা পান্বীশিং, হৱাই অমদি কোবি মখলগী পান্বীশিংগী পোত্থোক হেনগৎহনবা ঙমই।

সেকেন্দরি অমদি মাইক্রোন্যুত্রিএন্ট ৱাৎপগী অৱাবা অসি কোক্লবগীদমক সিঙ্গল সুপর ফোসফেট, Boronated Single Super Phosphate অমদি Zincate Single Super Phosphate অমদি ষন্থি-ষণয়ুং/কম্পোষ্ট চাং নাইনা শীজিন্নবগা লোয়ননা লৌফম অদুদা য়াওরিবা তোঙান তোঙানবা পান্বীগী মচিঞ্জাক্কী চাং খঙদোক্লগা লৌফমদা মতম মতমগী হার চাইবা হায়বসি তৌদবা য়াদ্রবা থৌদাং অমা ওইরে। ●

## ওর্গানিক এক্লাকলচর

**ডো: য়ূম্নাম বেদজিৎ**

ওর্গানিক এক্লাকলচর হায়রিবা থৌওং অসি তুং কোইনা অকোয়বগী খল কায়হন্দনা ঙাগী ঙাথোক পুথোকপা য়াবা থৌওং অমনি। হায়রিবা থৌওং অসিদা ঐখোয়গী অকোয়বদা মহৌশাদগী লৈরক্লিবা পোৎশকশিং শীজিন্নদুনা অফবা মগুন চেনবা চিঞ্জাক পুথোকপা ঙমহল্লি অমদি মফম অসিদা হান্নদগী লৈরক্লিবা অতাঙবা ঙাশিংবু মুৎখিগদৌবদগী কনবা ঙমগনি।

হৌজিক হৌজিক্কী ওইনদি ঐখোয়গী লমদম অসিদা পুথোকচরিবা ঙাগী ঙাথোক অসিনা ঐখোয়গী দরকার ওইবা ঙা অদু য়ৌবা ঙমদবনা মরম ওইদুনা মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিংনা মেনখৎলি। তৌইগুম্বসুং মপান লমদগী পুশিল্লকপা ঙাশিং অসি য়োকপদা অমদি পুশিল্লকপদা হীদাক লাংথক মখল কয়া শীজিন্নরম্বা য়াই হায়বগী চিংনবদি মীওই খুদিংমক্লা ফাওনরিবা ৱাফমনি।

মরম অদুনা ঐখোয়না চাবা কোন্নবা ঙা পুথোক্লে হায়রবদি ওর্গানিক খক্তমক তৌবনা য়ারক্তবনা ইনওর্গানিক্কীসু তঙাইফদবা লৈ। মসিদসু নত্তনা লমদম অসিদা লৈরিবা মীওই অয়াম্বা শেল-থুমগী ফীভম ফনা লৈতবা মরম্না মমল হোংবা ঙা খন্দুনা লৈনবনা অয়াম্বনি। করিগুম্বা মী য়াম্না চাগদৌবা থৌদোক অমা লৈরবদি মমল খরা হোঙবা মপান লমগী ঙাশিং ওইনা থিনবা মীওইনা অয়াম্বনি। অখন্নবা মীওই খরখক্তনা অতাঙবা ঙাশিং অসি লৈনৈ। খুদম ওইনা হায়রবদা পেংবা, ঙাতোন অমদি মপান লমগী রৌগা মমল চাংদম্নবদা অসুক্কী মতিক খেন্নখ্রে। মরম অদুনা পেংবা, ঙাতোন লৈবীনবা মীওইসি অসুক্কী মতিক য়ামদে। মথক্তা পঞ্জখ্রিবা ৱাফমশিং অসি লৈদুনসু ওর্গানিক এক্লাকলচরগী ঈহৌ অসিসু য়াম্না তঙাইফদবা অমনি।

মীপূম খুদিংমকপু ওর্গানিক এক্লাকলচরগী মতাংদা খঙহনবগী তঙাইফদবসু লৈরি। হৌজিক্কী মতমদদি ওর্গানিক ওইবা চিঞ্জাক্তবু থিবা অমদি হকচাং ফবগী ৱাখল্লোনবু য়াম্না পামজবা মীওইগী মশীং অসি অসুম অসুম লেপ্পা লৈতনা হেনগৎলক্লি।

ওর্গানিক এক্লাকলচর হায়রিবা থৌওং অসিদদি ঐখোয়না পীজগদৌরিবা মচিঞ্জাকশিং অদু ওর্গানিক্কীনি হায়বা সার্টিফিকেট ফংলবা মফমদগী লৈরগা পীজবীগদবনি। এন্টি বাইওটিক শীজিন্নরোইদৌবনি, ইনওর্গানিক ওইবা হার খুদম ওইনা হায়রবদা য়ুরিয়াগুম্বা শীজিন্নরোইদৌবনি। ঙা মরূম কোকহনবা অমদি মচা পুথোকপা মতমদা শিন্থেটিক হোর্মোন শীজিন্নরোইদৌবনি। জেনেটিকেল্লি মোদিফাইদ ওর্গানিজম শীজিন্নরোইদৌবনি। মহৌশাদা ফংবা হীদাক লাংথক শীজিন্নগদৌবনি, সিন্থেটিক ওইবা হীদাক-লাংথকশিং শীজিন্নরোইদৌবনি।

ওর্গানিক এক্লাকলচরদা শীজিন্নগদবা ঙা মখল অসি লমদম অসিদা হান্নদগী ফংজবা ঙাশিং শীজিন্নবনা হেন্না ফৈ। ঙা মচা পুথোকপদসু মতোমতা মরূম কোকচবা নৎত্রগা পিতুইটরি ইক্সত্রেক নৎত্রগা মহৌশাদগী ফংজবা হোর্মোন ওইনা শীজিন্নগদৌবনি অমদি য়ারিবমখৈ লায়না-তীলনা তাহনদনবা হোৎনগদবনি। ইন্টিগ্রেটেদ ফিস ফার্মিং অসি ওর্গানিক ফার্মিংগী থৌওং অমা ওইনা পাঙথোকপা য়াই। খুদম ওইনা হায়রবদা মনা-মশিং থাবা, শা-য়েন য়োকপা অমদি উ-ৱা থাবগী থৌওংশিংগা ঙা য়োকপগা পাঙথোকমিন্নরবদি করিগুম্বা ইন্টরপ্রাইজ অমগী কান্নদবা পোৎশক অদু অতোপ্পা ইন্টরপ্রাইজ অমগী কান্নবা ওইহন্দুনা মচিঞ্জাক থাবগী চাং হন্থহন্দুনা শেল চংবগী চাং হন্থহনবদা নত্তনা ওর্গানিক ওইবা মচিঞ্জাক ফংহনবসু ঙমহল্লি।

হায়রিবা ইন্টিগ্রেটেদ ফার্মিং সিষ্টম অসিদি লমদম অসিদা মৈহৌরোলদগী ঐখোয়গী অহল লমনশিংনা পাঙথোক্তুনা লাক্লিবনি। মসিগীসু মথক্তা হৌজিক্কী অনৌবা ফিস ফার্মিংগী টেক্নোলোজিশিং খুদম ওইনা হায়রবদা বাইওফ্লোক টেক্নোলোজিগুম্বা টেক্নোলোজিশিং অসি ওর্গানিক এক্লাকলচরলোমদা ওন্থোকপা য়াবা থৌওংশিংনি। তৌইগুম্বসুং ওর্গানিক এক্লাকলচর অসি করিগুম্বা লূপ অমনা সর্টিফাই তৌবা ওইগদৌবনি। ইন্দিয়াগী ওইনদি INDOCERT (ইন্দিয়ন ওর্গানিক সর্টিফিকেসন) হায়বা নেসনল প্রোগ্রাম ফোর ওর্গানিক প্রদক্সন (এন পি ও পি) না এক্রেদিটেট তৌবা, ইন্দিয়াগী লৈঙাক মখাদা লৈবা লূপ অসিনা য়েংশিল্লবা মতুংদা ওর্গানিক প্রদক্সন সিষ্টমনি হায়বগী সর্টিফিকেট ফংবা ওইগদৌবনি। অসুম্না ওর্গানিক প্রদক্সননি হায়বগী সর্টিফিকেট ফংলবা পোৎশকশিং অসি মমল তাঙনা অকক্লবা মফমশিংদা য়োনবা য়াগনি। হৌজিক্কী মতমদা ওর্গানিক্কী ওইবা পোৎশকশিং অসি মমল য়াম্লবসু লৈবীনবা মীওইসু অসুম অসুম হেনগৎলকপা মরম্না ওর্গানিক প্রদক্টশিং অসি য়োনবগীদি খুদোংচাদবা করিসু লৈরোই হায়না খঞ্জে। করিগুম্বা ঐখোয়গী লমদম অসিদা লৈবীনবা মীশিং য়ামদ্রবসু অতোপ্পা মফমশিংদা থাখিদুনা অচৌবা শেনফম কয়া তানবা য়াবগী খুদোংচাবসু লৈরি। ●